হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ১১, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২২২শুবা মশীং

## লোবু অতম্না লূমথহনগনু

### চৈ কাল্লগা চৎপা চুমদে

লৈবাকসিগী কন্সটিট্যুসন, এক্ট অমসুং লোশিংসি লৈবাকসিগী মীয়াম পূম্বগীনি। অকক্নবা য়ুনিয়ন টেরিটোরি/ষ্টেটকী নৎত্রগা অরেপ্পা ফুরুপ কাঙলূপ অমগী নৎত্রগা খরগী নত্তে। থোং মান্নরক্নবা খায়দোক্লিবা মীওই কাঙলূপ মখল খরগী অমসুং অকক্নবা মফম খরগী ওইবা তোঙানবা প্রোভিজন খরা য়াওবনা অমনি। মীপূম তিংনা চপ মান্ননা চৎনহনগদবনি। মসিমক্না কনামত্তনা লোগী মথক্তা লৈতে (নো ব্রান ইজ অবব দি লো) হায়বগী ৱাফম লৈরিবনি। মরম অসিনা লৈবাকসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংনা কন্সটিট্যুসন, এক্ট, রুলস অমসুং লোবু ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা ঙাক্তুনা-ইন্দুনা চৎকদবনি, চৎফম থোক্লিবনি। অদুবু করিগুম্বা চৎনগদবা ময়ামসি চৎনরক্তুনা মসিগী মায়োক্তা লেপ্লকপা, খোঙ্গাওনরকপা অমসুং থুগাইরকপা হায়বসিসু শোয়দনা থোরক্কনি, য়াওরক্কনি। অসুম্মাইনা য়াওরকপগী মরালশিংগী চপ চাবা চৈরাকশিং ফংহন্নবা ৱাফম/ৱারোল (পেনাল প্রোভিজন) শিং শাগোন্নদুনা য়াওরিবনি। অদুগা মথৌ তারকপা মতমদা মসিবু থবক্তা ওন্থোক্নবা লো-এনফোর্সিং এজেন্সী কয়া লিংখৎতুনা থল্লিবনি। লোনা পীবা/লোদা য়াওবশিং থবক্তা ওন্থোকহন্দুনা লাক্লিবনি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা লো এনফোর্সিং এজেন্সীশিংনা পেনাল প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা থবকশিং পাঙথোরকপদা থৌওইনা অতম্না তৌরগে হায়বা অমা য়াওনা তৌরকপা, চত্থরকপা মানবগী থৌদৌশিং হেক-হেক মায়োক্নরকই। মসিদি চুমদে, লোবু অতম্না লুমথহল্লগা শীংনবা অমা য়াওনা তৌরকপনি হায়দুনা লৌগনি। খুদম ওইনা পল্লবদা ওফেন্স অমা নৎত্রগা ক্রাইম অমা কম্মিট তৌবা অমসুং ক্রিমিনেল অমগী মথক্তা লোগী মতুংইন্না কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎপা য়াই। থবকসি মরী লৈনবা লোগী সেক্সনশিংনা অয়াবা পী। অদুবু ওফেন্দর নৎত্রগা ক্রিমিনেল অদুনা কম্মিট তৌবা ক্রাইমদুগী মতুংইন্না চার্জ তৌগদবা সী আর পি সী অমসুং আই পি সীগী সেক্সনশিং খক্তমক শীজিন্নগদবদা শামুগী মপোৎ ইরোইদা থোনগৎপগী ফীভমদা তৌশিনবা চুমদে হায়বনি।

অদুগা ক্রিমিনেল ওফেন্স অমদা চেন্নবদগী থৌদোক্তুগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফারবা মীওইবু ৱায়েলশঙদা ৱায়েল চত্থদ্রিঙৈদা য়ারিবমখৈ মতম শাংনা/কুইনা দিটেন তৌদুনা থম্নবা পাম্বৈ থিবা চুমদে। কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন মখা তানা চত্থরি হায়বা য়ানবা চেন্নবা মীওইশিং প্রপ-প্রপ ফাগৎপগী মহুত্তা থা খরা খরা কান্নরগা পোথা-পোথা ফাগৎপা চুল্লোই। অদুগা দিটেন্সনদা থম্লক্লিবা মীওই অদুবু ফাজিন্দুনা শাংথনা থম্নবা কোর্টতা হায়রকপসু চুমদে। হায়জরকপগা কোর্টনসু হেক্তা য়ারগনি হায়ববুদি নত্তে, য়াসু য়ারক্লোই। মসিগী মতাংদা য়াবা নৎত্রগা য়াদবগী ৱারেপ্তি মরী লৈনবা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী রেলিভেন্ট সেক্সনশিংগী মতুংইন্না লেপ্লক্কদবনি। অদুবু হায়নীংলিবদি থোরকফম থোক্তবা থৌদোক অমা থোকপদগী লৌখৎলকপা কেসকা মরী লৈননা ফাগৎলকপা মীওইশিংদি য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা কেস অদুগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগা মঙোন্দা চার্জ তৌরিবা মরালশিংদু লৈ/লৈতে হায়বা খঙদোক্নবা ক্রিমিনেল ট্রাইএল কোর্টতা চার্জশীট থাগৎলক্কদবনি। মরালগী মতুং ইনবা চৈরাক অথুবদা ফংহন্নবা হোৎনগদবনি। মরাল লৈরমদবদগী কোর্টনা এক্বিট তৌখিবা হায়বদুনা চত্থখ্রিবা ৱায়েলদুগী মখা পোনগদৌরিবনি। হায়বদি মরাল লৈরে হায়রবা মীওইশিংদি মরালগী মতিক চাবা চৈরাক ফংহন্নবা লোগী মতুং ইনবা থবকশিং খক্তমক পাঙথোক্কদবনি। খাম্ফুগী ফীভম চত্থরোইদবনি। লমহেনবা মহৈরোয়বু ওজানা খঙদ-হৈতবা তাকপী-তম্বীনবা ৱারকপবু অতম্না মলোম লৈরগা তৌরগে হায়বা’মা য়াওনা তৌরোইদবনি হায়বনি। মতম খরগী মমাঙদা ষ্টেটকী লো এজেন্সীনা ‘সিদিশন’ গী অহকপা প্রোভিজনশিংগী মখাদা ফাজিল্লগা জেলদা থমজিল্লুবদা সুপ্রিম কোর্ট য়ৌনা ৱাকৎনরকপদগী এপেক্স কোর্ট অসিনা অকক্নবা নুমিৎ অমসুং পুংফম ফাওবা পীরক্তুনা থাদোকখিবগী থৌদোক লৈখিবনি। চুম্না কেস লৌখৎলু, ফাফম থোকপশিং ফাগৎলু। রিকোভর তৌবা য়াবশিং তৌ। ফোরেন্সিক এক্সপর্টশিংগী ওপিনিয়ন লৌবগী মথৌ তারক্লবসু লৌ। পন্থদনা ইনভেষ্টিগেসন চত্থরগা চার্জশীট থাগৎলগা অথুবা ৱায়েল চত্থনবা হোৎনৌ। লোবু অতম্না য়াংথোকহনবা নৎত্রগা লূমথহনবগী তৌরোইদবা/তৌফম থোক্তবশিং তৌগনু হায়বনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৩

১) **“ৱাখলগী লৈকোল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“থিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৩) **“ৱাকৎ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“জনান্তিক”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা করি মমিং থোন্দুনা হন্দোকপগে?

৫) **“অওনবা সমাজ”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহাউ কাউবা ঙমদবা তুরেল ঙাশিং মতৌ করম্না কনসিগে?

মতম মতমগী ৱাফম
সেঞ্জম দেবেন

পুকলাওবী, মিরগল, গ্রাস কার্প, তুরেলদবু লৈরবদি তুরেল ঙাগী মহাউ তোঙান্না অদুম্মক থোকই। ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, থৌবাল তুরেল, চকপী, খোর্দাকনচিংবা তুরেল মখৈগী ঙা পূন্নমক লোইনা তোপ তোপ্পা মহাউশিং চেনবা ঙাক্তনি। তুরেলদবু লৈরবদি ঙাখাসু খাদরে, ফাবৌঙাসু থুম্না ওইনল্লে। মহৌশাদগী হৌনা তুরেলদা লৈবদা হৈনবা মরু ওইনা তুরেল ঙা হায়না খঙনবা ঙা মখলশিংগী মহাউনা অমুক্কসু হেন্না খোইথুম্ননা হাউবগী মহাউ অমা চেলহল্লি। অদুবু লাইবক থীবদি, ঙসিদি অশেংবা তুরেল ঙা হায়না শকখঙনবা, মহৌশানা তুরেল খক্তদা লৈবা পামজবা ঙাশিংগী মখলশিংসি অয়াম্বনা মাঙশিল্লক্লে, পাক উবা ফংনখিদ্রে। ফংলবসু অসুক্কী মতিক তাঙনা উনরে। অশেংবা তুরেল ঙাশিংগী মমিং খরা পল্লবদা খাবক, ঙাৱা, ঙাৱারেল, ঙাহৈ, ঙানোই, পেংবা, ঙারেল, ঙারিল, ঙারিল লাইনা, ঙানপ, ঙাসেব, শরেংখোইবী, কুরি, ঙারাং, ঙাপঙ, ঙানোই, ঙাতুপ, ঙমু শিঙ্গুম, লৈঙোইফোন, ঙাকিজৌ অমদি ফাবৌঙানচিংবনি। মমিং কাউথোকখ্রবা তুরেল ঙা মখল খরসু লৈরমখিবা য়ারি। অদুগা চীংগী তুরেলশিংদদা অয়াম্বা মতমদা ফংগনবা, তম্পাক্তদি কয়া তোয়না ফংনদবা তুরেল ঙা মখল খরসু লৈরি। মখোয়দুদি নূঙঙা, ঙাচৌ, ঙারা অমসুং ঙাতিন্নচিংবনি। হায়রিবা ঙা মখলশিংসি মতম অমদা মণিপুরগী তুরেলশিংদা য়াম্না মরাং কায়না ফংলম্বশিং ঙাক্তনি। অদুবু ঙসিদি, মথক্তা পঞ্জখিবদুনি অয়াম্বনা উবা ফংনখিদ্রে, মমিংতা ঙাইবসু য়াওনরে। হায়রিবা ঙা মখলশিংসি মতৌ করম্না ইরমদমসিগী তুরেলশিংদগী মাঙখ্রিবনো অমসুং মখোয়বু কনানা অমুক হন্না কল্লুবা ঙমগদৌরিবনো হায়বা ৱাখল্লোনসি খল্লকপদনি মখোয়বু তশেংনা পাম্মুবা অমা থম্মোয়সিদা খংফাও ফাওরল্লিবসি।

খন্নবা লৈ, তুরেল ঙাশিংসি মতমগী মতুংইন্না কল্ল-কল্লবা তিলহাৎ হীদাক মখলশিং অমসুং খূৎশেমগী ওইবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং চাং ৱাংনা, মতমসিগী লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা মখোয়গী লৌবুকশিংদা শীজিন্নবদগী মাঙখিবা ওইরম্বসু য়াই হায়না। মহৌশানা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌবুক্তা শীজিন্নখিবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং অমদি তিলহাৎ হীদাকশিংগী মচুমসি তুরেলদা লোইনা তাবা ঙাক্তনি। থৌদৌসিদগী তুরেল ঙাশিংনা মরূম কোক্তুনা চাদা-নাউদাবা ঙল্লমদবা ওইরম্বসু য়াই। মতমসিদা লৌমী ইচিন ইনাওশিংনা লৌবুক্তা শীজিন্নরিবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং অমদি তিলহাৎ হীদাক মখলশিংসিদা তুরেল ঙাশিংদা চাদা-নাউদাবা ঙমহন্দবা, চান্নদবা মখলগী কেমিকেলশিং য়াওরম্লোই হায়বসিসু মীচম ঐখোয়নদি হায়বা ঙম্বা নত্তে। হীরমসিদা মরী লৈনবা এক্সপর্টশিংনা চাংয়েং তৌদ্রিমখৈ খঙবা ঙল্লোই। অদুম ওইনমক মণিপুরগী তুরেল ঙাশিংনা খঙহৌদনা চাং হন্থখিবা অমসুং ধারা মুৎতুনা মাঙখিবগী থৌদৌশিংসি মণিপুরদা লৈরিবা ঐখোয় পূম্নমক্কী ওইনা মাঙজবনি। করিগুম্বদা থৌদৌসিনা অচুম্বা ওইরম্বা তারবদি তুরেলগী ঈশিং হকথেংননা চারিবা অমদি ৱাটর সপ্লাইশিংগী খূত্থাংদা য়ূম-য়ূমদা ঈশিং শীজিন্নরিবা ঐখোয় খুদিংমক্তসু হায়রিবা কেমিকেল ফর্টিলাইজরশিং অমদি তিলহাৎ হীদাক মখলশিংসিনা হকচাং শোকহল্লম্লোই হায়নীংঙাইসু লৈতে। ৱাফমসি মীচম ঐখোয়না হায়বদদি মীয়াম্না থাজবা ঙম্নরমদবসু য়াই। পূম্নমকসি খঙদোক্নবা অমসুং হকচাং শোক্লিংঙাই ওইরম্লগনা মতম চানা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎহৌবগী খুদোংচাবা ফংনবা মণিপুর লৈঙাক্লা অখঙ অহৈশিং খরা তান্নবীদুনা থিজিনহনবীবসু পাম্মী। অমবু ওইরো, অমবু ওইরো মণিপুরদা ফংলম্বা তুরেল ঙাশিংনা মাঙখিবা অমসুং ফংবগী চাং হন্থখ্রিবসিগী তোপ তোপ্পা মরম অমদি শোয়দনমক্কী লৈরমগনি। মরমদু খঙবা ঙল্লবদি ঐখোয়না মণিপুরগী তুরেল ঙাশিংগী ফীভম অমুক হন্না ফগৎহল্লক্নবগী লম্বীশিং থিবদসু অচৌবা মতেং অমা ওইগনি খল্লি। অসুম্না হৌজিক্কী মতমদা চুম্নগী ইঞ্জিং-লোংখোনবনচিংবা তৌবা ঙা ফাবা মীওই খরনা তুরেল ঙাশিংবু চাদা-নাউদা ফাওবা মূত্থৎপা য়াবগী চাংদা ফাদোক্লমগনি হায়বা ৱাফমসিদি খক থাজফম থোক্তে হায়নীংই। থৌদৌসি নত্তবা অতোপ্পা কেমিকেল ইফেক্টকুম্বা থৌদৌশিং খরনা শোয়দনমক্কী মণিপুরগী তুরেল ঙাশিংবু চাদা-নাউদা ফাওবা য়াওনা মূৎহনবা য়াবগী খোঙফমদা মাঙহনবা শোয়দনা ওইরম্বা য়াই। ৱাফমসি থাজবা য়াবা ৱাফম অমনি। মহৌশানা কেমিকেল ইফেক্ট নত্তনদি কৈদৌঙৈদসু খক থৱায় পানবা কাঙলূপ অমবু পাক্তক্নুনা চাদা নাওদা ফাওবা য়াওনা মাঙহনখিবগী থৌদৌশিং পাক থোকখিবা থেংনদে। অসুম্না থৌদৌ অমা নৎত্রগা অমনা হেক্তা তুরেল ঙাবু চারোল-শুরোল য়াওনা মাঙহল্লকপগী থৌদৌসিদগী শোয়দনমক্কী কলহৌনবা পাম্বৈ খরদি তঙাইফদনা লমদমসিগী লৈঙাক্লা থিহন্নীংই অমসুং ইরমদমসিগী ওইবা তুরেল ঙাশিংসিবু কলহন্নীংই। তশেং তশেংনা হায়রবদা, মণিপুরগী তুরেল ঙাশিংগী ওইবা মহাউসি অসুক্কী মতিক চাংদম্ন নীংঙাই লৈতবা মওংদা শীংথানবা য়ানা হাউই। মণিপুরগী তুরেল ঙাশিং মহৌশাগুম্না অমুক হন্না মরাং কায়না ফংহন্নবগী লম্বীসি অমত্তংদি শোয়দনা লৈহন্নীংই।

কনাগুম্বা ইচিন-ইনাওশিং পীক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অহল-লমনশিংনা তুরেল ঙা নিংথিনা পীজরকখিবা কাঙবুশিংদদি ঙসিসু শোয়দনমক্কী মণিপুরগী তুরেল ঙাগী অশেংবা মহাউশিংদু কাউবা খক ঙল্লমগনি থাজদে। তৌববুদি মণিপুরদা লমদমসিগী ওইবা তুরেল ঙা ফংবগী চাংসি মহৌশাদগী হৌনা কয়াবুদি মরাং কায়রক্তে হায়বা য়াই। মহৌশানা তুরেল ঙাদি ফাবগী মতমসু নাই। অয়াম্বনা তুরেল ঙা ফানবগী মতমসি নিংথমথা চঙবা হৌরকপগী মতম সিৱাইদদা ওইগল্লি। নিংথমথানা হৌজিল্লকপগা মণিপুরগী অয়াম্বা তুরেলশিংনা ময়াং কংশিল্লকই অমসুং ঈচেলশিংসু তপথরকই। মতমসিদনি মণিপুরগী অয়াম্বা তুরেলশিংদা তুরেল ঙা ফানবগী তাঞ্জা লৌনরিবসি। মণিপুরদা তুরেল ঙা ফাবগী তোঙান-তোঙানবা মেথোদশিং খরা অদুমক লৈ। তুরেল ঙা ফানবগী থৌদৌশিং অয়াম্বনা মান্নরবসু মফম-মফম অমসুং তুরেল-তুরেলশিংদুগী মতুংইন্না খেন্নবা খরবুদি অদুম লৈবা জাৎনি। অদুম ওইনমক মমাঙঙৈ হায়গদ্রা মতম অমদা লমদমসিদা তুরেল ঙা খরা নিংথিজনা ফানরিঙৈ মতমদা চত্থনরম্বা তুরেল ঙা ফাবগী থৌদৌশিং খরদং হায়রবদি, - নুপা ইন লংদুনা তুরেল ঙা ফাবা, তেখাউ-লূ নৎত্রগা কাও (ট্রাই এঙ্গল শেপতা শাবা, মনুংদা কাওশিং হায়না খঙনবা উগী মসা-মরেংশিং হাপ্পা, ঙা মকোন শাহন্নবা পোৎশক অমা) থুমদুনা ফাবা অমদি খোই চোপ্তুনা ফাবশিংসি অয়াম্বনা মান্নবা ঙাফাশিংনি হায়না লৌবা য়াই। মসি নত্তবা তাইজেপ থুম্বা, ঙানপ চফু থুম্বা, খূৎহুম্বা, উতোং থুম্বা (তুরেলগী ঈশিং মনুংদা ৱাগী উতোং মকক-মককশিং থাদুনা থল্লগা ইরুপ্তুনা খূৎনা মচিন অনীমক মেনশিন্দুনা পুখৎলক্লগা, উতোং মনুংদা চঙলম্বা ঙা ফাবগী থৌদৌ) অসিনচিংবা খরসিসু তোঙান-তোঙানবা তুরেলশিংদা ফানরম্বা ঙাফাশিংগী মওং-মতৌশিংনি। মসিদা নত্তনা কনাগুম্বা খরনদি লোনা য়াদবা মওংদা তুরেলগী ঈশিংদা ঙা খরা য়াম্না পুল্লমগদবা মফমশিং য়েংলগা কান্থুক বোমশিং থাদদুনা পোকখায়হল্লগা ঙা ফাবা, তুরেলগী ঈশিংদা হু নৎত্রগা ব্লিচিং পাওদরনচিংবশিং কা খরা হেঞ্জিন্না থাদরগা তুরেলগী ঙাশিংবু ঙাওহন্দুনা অমদি শিহন্দুনা ফাবা ঙাফা অমসুং ইলেক্ট্রিক করেন্টশিং শীজিন্নদুনা ঙা ফাবগী থৌদৌশিং চত্থনবসু য়াওনৈ। তৌইগুম্বসুং, অকোনবদা পল্লিবা ঙাফা মখল অহুমসিদি লৈঙাক্কী ওইনা লোনা য়াদবা ঙাফাশিং ওইবনা পুলিস দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং থেংনরবদি থৌদৌশিংসি শীজিন্নদুনা ঙা ফারম্বা মীওইশিংদু ফারগা শোয়দনমক্কী মতিক চাবা চৈরাকশিং পীদনীংঙাই লৈরোই। অদুগা, ইরোই-লোইবদা পল্লিবা ঙাফা মখল অহুমসিনা মণিপুরদা তুরেল ঙাশিংবু চাদা-নাওদাশিং ফাওবা য়াওনা মাঙহন্নবগী অচৌবা থৌদৌশিংসু ওইরিবনি। বোম কাপ্তুনা ঙা ফাবা, হু নৎত্রগা ব্লিচিং পাওদরনচিংবশিং চাং ৱাংনা থাদদুনা ঙা ফাবা অমদি ইলেক্ট্রিক করেন্টশিং থাজিন্দুনা ঙা ফাবগী থৌদৌশিংসিনা মপূং ফাদ্রিবা কোন্না মপূং ফারক্কদবা ঙা মচা কয়ামরুম্বুসু অরেম্বদা লোইনা শিহল্লি। থৌদৌশিংসিনা তুরেল ঙা হেন্না তাঙশিল্লক্নবগী মরমশিংসু ওইহল্লিবনি।

হৌজিক্তি হীরম খুদিংমক্তা মহৌশাগী খল হায়বসি কায়হন্দনা থম্নবা মালেমসিগী মফম খুদিংমক্তা অখঙ অহৈশিং কয়ামরুম্না অকনবা পাউজেলশিং পীরিবনি। মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বা হায়বসিদা মণিপুরগী তুরেল ঙাশিং কন্নবা হোৎনবসিসু থৌরাংশিংদুগী মনুংদা অমনি। মমাঙঙৈদা মরাং কায়না লৈরম্বা, হৌজিক্তি অয়াম্বনা মাঙশিল্লকখ্রবা মণিপুরগী তুরেল ঙাশিং অমুক হন্না মরাং কায়না লৈহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরগী তুরেলশিং অয়াম্বা মহৌশাগী ফীভমশিংদা অমুক হন্না শোয়দনা হঞ্জিল্লক্কনি। থৌদৌসি মহৌশাগী খল কায়হন্দনবা হোৎনবা থৌরাংশিংগী মনুংদা অমা অমসু শোয়দনা ওইগনি। মণিপুরগী তুরেলশিং মহৌশাগুম্না ঈশিং শেংহন্নবা হোৎনমিন্নসি অমসুং মদুদা মণিপুরগী তুরেল ঙাশিংসু মহৌশাগুম্না মরাং কায়না ফংহন্নবা অমুক্তং হোৎনমিন্নসি।? ●

# অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ৬

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

মণিপুর অসি অপীকপা ষ্টেট অমা ওইজরবসু হীরম খুদিংমক্তা তোপ-তোপ্পা মফম অমদি থাজদনা ইন্দিয়াগী মনুংদা ঙসি ফাওবা মীয়াম্না খঙনবা খরদি মশক থোকপা মফম অমদি কন্দুনা লাকখিবনি। মসিমক হেন্দোক থোইদোকপা মশক অমনি হায়দবা খক য়াররোই। পোলিটিক্সকী লমদসু ইন্দিয়াগী মনুংদা তাঙ্কক কয়াদা মশক থোকপা খরদি মীয়াম্না নীংশিংনরিবনি। মপূং ওইনা শেঞ্জা-থুমজা কয়াদসু ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল পার্টিশিং কাউঙমদবা কয়া লৈতবা নত্তে।

ঙসি ইন্দিয়াগী লৈমায়দগী কোংগ্রেস মরূ ফংনা মূত্থৎখ্রে। মণিপুর প্রজাশিংনা হীরম খুদিংমক্তা মাঙজিল থাবখক ঙমদ্রবসু মশক থোকপা মফম অমদি শাংলবা চহী কয়া মফম অমদি কন্দুনা লাকই। কোংগ্রেসকী শাংলবা সাসন কয়াদা শেঞ্জা থুমজাগী ৱাথোক মশীং খঙদনা লৈখ্রে। মসিগী মরমদসু চোঙথোক-চোঙশিনগী ঈরাংসু ইন্দিয়াগী পোলিটিটিক্সতা মফম অমদি কন্দুনা লাকখিবনি। মসিগী মথক্তা থাজদ্রবা ৱাথোক কয়া লৈখ্রে। অদুবু ঙসিদি কোংগ্রেসকী শেঞ্জা থুমজাদগী থাজদনা বি জে পিগী সাসন নমদুনা পুরকখিবনি। মসিদি মীচম মীয়াম্না খঙদ্রবসু পোলিটিকেল পার্টিশিংনদি ফজনা খঙনরমগনি খল্লি। ওপোজিসন য়াওদনা সাসন তৌখিবা য়াওখিদবা নত্তে। অদুবু হন্দক্কী বি জে পিগী সাসন অসিদসু ময়েক শেংনা উনরে। ফজবা ফজদবা, য়াবা য়াদবা হায়বদু পোলিটিকেল পার্টিশিংনদি ফজনা খঙনরমগনি। মণিপুরগী পোলিটিক্সসিদি সাসন পায়বশিংনা অচুম চুমদ তৌনীং তৌনীংবা তৌবগী মশক নোংম নোংমগী মশক থোক্লা হেনগৎলকই। হন্দক্কী বি জে পিগী সাসন অসি ফজ ফজরবা শক্লোন কয়া পুথোরকই। বি জে পিগী সাসনদা চীং তম অনীগী মান্নবা পুখৎনবা হোৎনবা পোলিসি প্রোগ্রাম তাবদনা নুংঙাই, অওনবা খরদি ফজনা পায়খৎলকই। মসিনা মতম শাংনা কোংগ্রেসকী শেঞ্জা থুমজা কয়াদা মীয়াম শুমদুনা পুরকপগী পেন্নদ্রবা কয়ানা ফবা ফত্তবা খন্থদনা কোংগ্রেস হায়বসি মূত্থৎপা পান্বশিংনা বি জে পিশিং শৌগৎনরকপসিদি তশেংনমক অঙকপা ফাওদবা য়াওরম্লোই। বি জে পিগী চীংদা চৎলু, খুঙ্গং চৎলু মসিগী প্রোগ্রামসি পুমতোপ তোপ্পা মশক অমনি। হীরমসিদা মতম শাংনা চীং-তম অনীগী মরক্তা লৈনরম্বা খরদি হেন্না অওনবা পুরক্কনি হায়বসি চীং তম অনী প্রজা মীয়ামগী অনীংবনি। অদুবু বি জে পিগী চীং চৎলু, খুঙ্গং চৎলু কদাই ফাওবা মায় পাক্লবগে হায়বসিদি চীংমী তম্মীগী প্রজা মীয়াম্না ঙসিদি ময়েক শেংনা থবক ওইনা উনরে। মতাংসিদা বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু কদাই ফাওবা মায় পাক্লবগে, ৱাহংনি? মণিপুরগী খুঙ্গংশিংদা করি অওনবা, করি অহোংবা পুরক্লবগে? মতম অমদা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী থোং, ঈথৈ লৌখোং করি অওনবা পুরক্লবগে, ইম্ফাল মনুংদা নোং হেক তাবগা ঈশিং থুম্বা, নুংশা হেক শাবগা উফুল হৌবদি মশক থোক্লা উন্নরে।

মসিগী মথক্তা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী থোং, ইথৈ লৌখোংসু ময়েক শেংনা চেনবা য়াদনা উন্নরে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা খুঙ্গং খুঙ্গংদা লৈরম্বা লমলেম লমহাং অমত্তা লৈতরে। মসিগী মথক্তা পাট্রা মনুংদা শাবগী মহুত্তা পাট্রা তাদবা মফমদা পক্কা শাজিল্লিবসি কনাগী অয়াবনো? মরম অদুনা লম্বী ময়াদা পক্কা শাজিল্লিবসি মতম চানা চেক তৌহৌদ্রবদি এস দি সীশিংনা মান্নরগা অশেম্বা পাট্রা পায়রক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। হীরম অসিদা থিজিনবশিংবুনা য়েক্লবগুম লৌনরকপা অফবা খোঙথাং নত্তে। মরম অদুনা হন্দক্কী বি জে পিগী সাসন অসি খুঙ্গং চৎলু হায়বা প্রোগ্রামদা মরী লৈনবা এস দি সী অমদি খুঙ্গং খুঙ্গংদুগী প্রধান মেম্বরশিংদা তান্নরগা তাঞ্জা পীখিদবসি অর্থ কয়া থোক্লা লৌনরক্কনি। পাট্রা পীরমদাইদা য়ূমথংনবা নৎত্রগা মরী লৈনবশিং তান্নদনা ওফিসতা শেঞ্জা থুমজা তৌবগী চৎনবী অসি বি জে পি সাসন অসিনা চেক তৌবীফম থোক্তবরা? লৈকায় ৱাথোক চাউথোরক্নবা বি জে পিনা সাসন তৌবসি খরদি হেন্না খন্থফম থোক্তবরা? ঙসিদি মণিপুরদা বি জে পিগী সাসন ফজনা তৌরে। সাসন অসিনা মীয়ামগী কান্নবা করি করি তৌবীখ্রে।

মপূং ওইনা মন্ত্রি মন্দলশিংনা মীয়াম তিনবা মফমদা ৱাজাও ঙাঙলগা অফবা শাবা খক য়াররোই। মণিপুর প্রজাশিং মতম অমগী কোংগ্রেস সাসননা হুমদুনা পুরম্বদু লৌশিং ওইনহৌরে। লৌশিং জ্ঞান ফজনা লাক্লবা মতমসিদা বি জে পিনা মীয়ামদা উৎ চাইবনদি পুন্সি শাংথবা খক য়াররোই। চহী কয়াগী মথক্তা সাসন তৌরম্বা কোংগ্রেস মরূ ফংনা মূত্থৎপগুম চহী ৫/১০ ফাওবা শুদ্রিবা বি জে পিনা মপান থোংগী ফজবা শাবনদি কয়াম কুইনা লৈঙাকপা ঙমগনি খন্থবা মতম ওইরে। বি জে পি সাসন লাকপদগী খুঙ্গং সহর খুদিংমক শেমগৎপগী মহুত্তা শেমদোকপা ওইনা থোক্কনি। ঙসিদি মতিক চারবা পোলিটিকেল পার্টিগী মোইথেম মশক মুন্না খঙলবা লাইরিক লাইশু মতিক চানা হৈরবা কয়ানা খুরক হাংদনা লৈরবা মতমসিদা থোক-মোক তৌবদি তরাইবসু ওইররোই। পোলিটিক্সপু লল্লোনফম ওইনা উহনবসিদি মতম অমগী মীয়ামদু নতে। মরম অদুনা থম্মোয় শেংবা মীয়ামগীদমক খরা হেন্না খনবা মীশক য়েংলগা বি জে পিসু খোঙফম শেমহৌদ্রবদি কোংগ্রেসকী চহী ৫০গী সাসনদগী হন্দক্কী বি জে পিগী চহী ৫/১০ ফাওবা শুদ্রিবশিংনা মীয়াম্বু হোইদুনা পুগনি খনবদি ওইথোক্লরোই। বি জে পিগী খুঙ্গং চৎলু, চীংদা চৎলু অর্থ থোকহল্লু। মপূং ওইনা এন আর ঈ জি এগী থবক শুরম্বশিং চেক তৌবীয়ু। বি জে পিগী লৈঙাক্লা মশক থোকপা কেন্দ্র মশক থোকপা ফিদম্নফম ওইবা এম এল এ পুথোকপীরম্মু। মদু নত্তনা মীয়ামদা থোক-মোক তৌদুনা চহী মঙা শাংথনবা হোৎনবদি মদুগী পাউখুম মথংগী টর্মদা মশক থোক্লা কোংগ্রেস মূত্থৎপগুম মীয়াম্না চপ চাবা পাউখুম পীরক্কনি। ঙসি এম এল এ ওইরিবা, মন্ত্রি ওইরিবশিং অচৌবা পাড়া অমা শোয়দনা তম্বীরগনি।

মতম অমদা ওইরম্বা শক্তমদগী হন্দক্কী বি জে পিগী সাসন অসিনা ইম্ফাল সহর খুঙ্গংগী লম্বী লমহাং খুদিংমক লম খোপচিন্দুনা পাট্রা য়াওদনা শাজিল্লকইবসি মতম চানা চেক তৌবা দরকারনি। পক্কাগী য়ূম শাজিল্লক্লিবসি বি জে পিগী সাসন মতমসিদা মশক থোক্লা উনরিবসি কেন্দ্র কেন্দ্রগী এম এল এ, প্রধান, মেম্বরশিংনা খঙনা খঙনা চত্থরক্লিবসি লৈকায় ৱাথোক ওইনরক্কনি।

মসি পূম্নমকসি ঙসি ফাওবা য়েংদুনা খঙশিন্নদবসি অফবা খুদম নত্তে। মপূং ওইনা মমাংথক্কী প্রধান , মেম্বরশিংনা আইনবু মশক খঙদনা মরী লৈনবশিংগা শেমজিন শাজিন্দুনা এন আর ঈ জি এগী শেনয়াম মাঙহল্লিবসি তরাইনা খন্দোকপা য়াররোই। মসিগীদমক বি জে পিগী সাসন অসিনা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী খল্লবদি থবক ওইনা পায়খৎপীয়ু। ঙসিদি চিনগা খূৎকা পূন্না চৎমিন্নরবা মতমনি। মপূং ওইনা খুঙ্গংগী মনুংদা এন আর ঈ জি এগী কায়থোকখিবা শেনফমশিংগা থবক্কা চান্নরিবরা য়েংদনা মসিগী মথক্তা থবক শুবা লোইশিন্দনা লৌথোকখিবশিং লেম্না থাবসি বি জে পিগী সাসন মতমসিদা থম্মোয় শেংনা চেক তৌবীয়ু। বি জে পিগী লৈঙাকসিদি তরু তরুবা ওইহল্লসি। চিনগা খূৎকা মান্নহনসি, ৱাজাও ঙাঙবদি মতম হেনখ্রে। খুঙ্গং সহরদা কায়থরক্লিবশিং শোকচিল্লকইবশিং খরদা হেন্না মীৎয়েং চঙবীয়ু। ঙাঙবদদি ফজরে, থবক ওইনদি কোংগ্রেস সাসনদগী হেন্না তমথীবা ওইনা মীয়াম্না উন্নরিবসি অফবা খুদমসু ওইরোই। মীয়ামগী অপাম্বা অনীংবা থুংহনবা হায়বসি পোলিটিক্স তৌবশিংগী মপূং ওইবা মথৌ নত্তবরা? ●